**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-10-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। জিলা অসিগী দোনজাং খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা ইমপ্রোভাইজ মেদিয়ম সাইজগী পম্পী অহুম, পোকখায়খ্রবা পম্পী সেল অনি ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, কোর্টনা বেল পীখ্রবা শজিৱা জেলদা লৈরম্বা কাংপোকপী জিলাদগী মীওই ১১ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখোয়গী জিলাদা তেক্ত কায়দনা য়ৌহনখ্রে লোয়ননা ফাজিনদুনা থল্লম্বা মীতৈ মচা অনিসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা কনবা ঙমলে হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৪৫০ হেন্না সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

**কার্ড (এল)ঃ** চীফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাং সি.এম.ঐচ.টি. কার্ড থিংজিনখ্রে হায়না সোসিএল মেদিয়াদা শন্দোক্লিবা ৱাফম অসি অরানবা ৱাফমনি হায়না রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী সি.এম.ঐচ.টি. অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাইগী পোলিসি মেনেজর ডা: ইরেংবম বিজেতানা হায়রি।

মহাকা হায়-সি.এম.ঐচ.টি. স্কিমগী মখাদা পীরিবা খুদোংচাবশিং লন্নাই হোস্পিতালশিংদসু পীরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লন্নাই হোস্পিতালশিংদা অখন্নবা অনাবা খরদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীরে। মসি মমাং থাগী ৩০ দগী চৎনবা

হৌখিবনি। লায়েংবদা শেল হেন্না চংবা অনাবা মখলশিং মরুওইনা দাইলাইষ্টিস, ত্রান্সপ্লান্ট, কারদিওলোজি, কেন্সর, ন্যুরোলোজি অমসুং ন্যুরো-সরজরিগী ওহনদি স্কিম অসিগী মখাদা লন্নাই হোস্পিতালশিংদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরি। সরকারগী লায়েংশঙশিংদদি স্কিম অসিগী মখাদা হান্না পীরম্বা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং অদুম্মক মখা তানা পীরি।

**কেবিনেট ঃ** ইন্টরনেসনেল ইনর্জি ইফিসেন্সি হফতা ভারতসু শরুক য়ানবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে। মসিদা শরুক য়াবা অসিদা লৈবাক অসিবু ইনর্জি মপুং ফানা লৈবা লৈবাক ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। থৌরাং অসিনা ভারত্তা চংশিল্লিবা সসটেনেবল দিবলপমেন্টকী মংলানদা হেন্না মতেং পাংশিনদুনা গ্রীন হাউস গ্যাস পুথোকপা হন্থহনগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

হীরম অসিগী মতাংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-তোঙান তোঙানবা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং পুথোক্তুনা লৈবাক ১৬ কী ওইবা কাংবু অমনা ইনর্জি শিজিন্নবগী মতাংদা মতেং পাংনরিবা অসিদা ভারতসু য়াওশিনদুনা খুদোংচাবা কয়া ফংলগনি অমসুং মালেম পুম্বগী ওইনা মায়োকরিবা অইং আশা অমদি নোংজ্ নুংশাগী খল কায়থরকপা অসি থিংননবা হোৎনবদা ভারতসু পাংবা য়াবা মতেং পাংলগনি হায়খি। চহি অসিগী হৌখিবা জ্লাই থা ফাওবদা ইন্টরনেসনেল ইনর্জি ইফিসেন্সি হফতা য়াওরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অরজেন্তিনা, ওষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল, কানাদা, চাইনা, ফ্রান্স, জর্মনি, জপান, রাসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদম য়াওরি।

**লেঙ্গোইজঃ** লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোল মঙা-ক্লাসিকেল লেঙ্গোইজগী ষ্টেটস পীবদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে। লোশিং অদুদি- মরাথি, পালি, প্রক্রিক, অসামিজ অমসুং বেঙ্গোলিনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইং কুমজা ২০০৪ গী ওক্তোবর ১২ দা কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লোলশিংগী মনুংদা ক্লাসিকেল লেঙ্গ্বৈজ কৌবা কাংলুপ অমা খাইদোক্কুনা থল্লকখিবনি। হায়রিবা লোল কাংলুপ অসি মশাগী ময়েক লৈজবা অমদি চহি লিশিং কয়াগী পুৱারী লৈজবতা নত্তনা অরিবা মতমগী সাহিত্যগী মচাকশিং য়াওগদবনি। হায়রিবা মচাকশিং অসি মশাগী অশেংবা মরল ওইগদবনি। অতোপ্পা ফুরুপ নৎত্রগা মফমদগী মতৌ তমদুনা শেম্বা ওইরোইদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি। ক্লাসিক লেঙ্গ্বৈজগী কাংলুপ্তা চনবা ঙম্বা লোলশিংদা খুদোংচাবা কয়া পারি।

**পিএম ঃ** কেন্দ্র সরকারনা নহা কয়াদা কান্নবা পীগদবা প্রাইম মিনিস্তর ইন্টরনসিপ স্কিম ঙরাং হৌদোকখ্রে।

স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী নহা কোতি অমরোম, তোঙান তোঙানবা কম্পানি ৫০০ রোমদা চহি মঙাগী ওইনা ইন্টরনসিপ তৌবগী খুদোংচাবা পীরি। ইন্টরনসিপ তৌবগী মতম থা ১২ ওইগনি। ইন্টরন তৌরিবশিংদা থাগী ওইনা লুপা লিশিং মঙাগী স্তাইপেন্দ পীগনি হায়রি।

কোরপোরেট এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হায়-হায়রিবা পাইলোট প্রোজেক্ট অসিগীদমক সরকারনা লুপা কোতি ৮০০ খাক্কুনা থমলে। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ অসিদা লৈবাক অসিগী নহা কোতি অমা লাখ ২৫ রোমদা ইন্টরনসিপ তৌবগী খুদোংচাবা পীনবা পান্দম থল্লি। ইন্টরনসিপ তৌনিংবা নহাশিংনা ওন লাইনগী খুথাংদা থা অসিগী ১২ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি।

**হরিয়ানা ঃ** হরিয়ানা বিধান সভা মীখল হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

সিট ৯০ লৈবা রাজ্য বিধান সভা মীখলগী ভোট তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোক্কনি। ভোট অয়ুক পুং ৭ তগী নুংমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবা ভোট থাদনগনি। ভোট মশিং জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগীগা পুন্না থা অসিগী ৮

দা থীগনি।

মরক অসিদা, ইলেক্সন কম্মিসন্না ভোট থাদনগদৌরিবা নুমিৎ ওক্তোবর ৫ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মখায় ফাওবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী একজিৎ পোল পাঙথোকপদা অথিংবা থমখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফাজিনদুনা থল্লুবা মীওই অনি থাদোরকখিবা অমদি শজিৱা জেলদা লৈরম্বা মীওই ১১ থাদোকখিবগী পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচে খুদিংমক্কী মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে।

সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি কুকি ১১ থাদোকখ্রবা তুংদা, মীতৈ অনি শিন্নরখ্রে হায়না মেন হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা ইন্দিয়া গভরমেন্টকা কন্দিসন খরা য়ান্নবা পুরকপদগী মীওই অনি অদু থাদোকখিবনি হায়না কোটুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সব হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদনা পাউ অসি-জেলদা থল্লক্লিবা কুকি অন্দর ত্রাইয়েল পিজরন ১১ রিলিজ তৌবদগী থোইথোইবা অমসুং থোইথোই থাদোরকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

মনিপুর ন্যুজতনা-কুকিশিংনা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনখিবা নহা অনি থাদোরকখ্রে। কুকিগী মরুওইবা দিমান্দ সরকারনা য়াখিদ্রে। সি.এমনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-মিলিটেনশিংনা ফাজিনখিবা অনী কোটুনা থাদোরকখ্রে, শজিৱা জেলদা লৈরম্বা ১১ কাংপোকপীদা থিন্দোকখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর মেল, পোকফম

অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু মান্নবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন অসি-উখ্রুলগী ইরাং, লায়কন্নরকখিবা অমসু লৈখিদ্রে, অশিবা পুন্না ৮ শুরে, পুলিস ষ্টেসনদগী খুৎলায় ২০ লাকখ্রে হায়না ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদনা উখ্রুল পলিসতগী নোংমৈ ২১ লাকখ্রে, অমসু শিদুনা শিখিবা মরি শুরে হায়না ফোংলি।

কোটু য়াওনা হায়ৰেদা শেল খায়রিবশিং তোকহন্দ্রবদি ইকোনোমিক ব্লোকেড চথুনি হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি মনিপুর ন্যুজ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা হেদলাইন পীনরক্লি।

নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন অসি, লৈঙাক্তা লোইনা তাইশিন্নবগী মহুৎ কোক চুংশিন্নদুনা শান্তি পুরকবা হোৎনসি হায়না নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলক্লি।

ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন অসি-জেনিমসকী দেন্টেল কলেজ মপু পানদবগা মান্নরে। হীরম খুদিংমক্তা শোথরকপগী মমি তারে। চহি অমদা নুমিৎ ২১৪ ওফিস কাদবা য়াওরে হায়না ফোংবা থেংনরে।

হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন অসি-মনিপুরগী লাল লাংমৈদোং মমাং লৈকায়দদি খোইনা চিকখিবদগী হিয়ং পাইবা য়াহৌদ্রে হায়না মেন হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সব হেদলাইন ওইনা বঙ্কর শারগা ভি.দি.এফশিং থমলে, মৈরা পায়বীশিংনসু পুং ২৪ চুপা বঙ্করদা য়ারক্তুনা ঙাকহৌরি হায়না ফোংলি। পাউ চে অসিগী অতোপ্পা হেদলাইন অমদা-চিংমী ফুরুপশিংনসু শরুক য়াদুনা মেরাগী নোংমা পানবা চাউরেন হৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি। পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন অসি তমেংলোং

পুলিসনা পোপী পান্বী মাঙহনখিববু চীফ মিনিস্তরনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- হুনফুন অমদি হুংপুং খুঞ্জাশিংদা হিংশা থাদোক্তুনা শান্তি ওইনা লৈনবা য়ু.এন.সিনা আপিল তৌরি হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।